# অমেরিকাগী ষ্টেব জোনসন্না নোট্টিনঘমগী, সিবুলকোবানা ইষ্টবোর্নগী টাইটল লৌখ্রে





নোট্টিনঘম/ইষ্টবোর্ন, জুন ২৬ ঃ

অমেরিকান ষ্টেব জোনসন্না মফম অসিদা চথরিবা নোট্টিনঘম ওপন গ্রাস কোর্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা উরুগ্বেগী পাব্লো ক্যুবাসপু ৭-৬ (৫), ৭-৫ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী কেরিয়রগী অহানবা এ টি পি টাইটল লৌখ্রে।

মহাক্কী অনীশুবা ফাইনেল ওইখিবা অমদি ৩৮ শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা ষ্টেব জোনসন্না ক্যুবাসপু অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়নন্না অহানবা সেটতা টাই ব্রেক্তা মায় পাকখি।

মেচ লোইরবা মতুং জোনসন্না হায়খি, ঐনা মায় পাকখিবদা নুংঙাইবা পোকই। ঐনা অহানবা ওইনা এ টি পিগী গ্রাস কোর্ট টাইটল লৌবা ঙম্লে। মসিগীদমক ঙমখৈ লৈতনা নুংঙাইবা পোকই। জোনসন্না মমাঙ চয়োলদা পাঙথোকখিবা ক্কুইন্স ক্লবকী ক্কার্টর ফাইনেল ফাওবা খুমাং চাউশিনবা ঙমখি অমদি ৱর্ল্ডগী রেঙ্কিংদা অহানবা ওইনা ৩০ ফাওবগী মনুং চনবসু ঙমখিবনি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, ঐনা চহী অসিদা অমুক কাখৎপা অমুক কুমথবা তৌদুনা চৎলি। ঐনা গ্রাসতা টাইটল লৌবা ঙম্বা অসি শিংথানিংঙাই ওই। ঐনা ক্কুইন্স ক্লবতা নিংথিনা শান্নখি। মদুমক্তা ঐনা গ্রাস কোর্টতা টাইটল লৌবা ঙম্বনি।

অহানবা ওইনা টাইটল লৌবা ঙমখিবশিংগী মনুংদা জোনসন্না ওস্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওস অমদি অর্জেন্টিনাগী দিগো স্কোৱাটজমেনগা পূনবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা ইষ্টবোর্নদা চথরিবা দব্লিয়ু টি এ ইষ্টবোর্নগী ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেলদা দোমিনিকা সিবুলকোবানা কারোলিনা প্লিজকোবাবু ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী অহানবা গ্রাসকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

মহাক্কী মায় পাকখিবা অসিনা লাক্কদৌরিবা ৱিমব্লদনগী মাঙওইননা অহেনবা মতিং পীবা ওইনা থোকখ্রে। স্লোভাক্কী ১২ শুবা সীদ অসিনা চহী অসিদা ফাইনেল মরি চঙবা ঙমখ্রে। মহাক্না এপ্রিলদগী হৌজিক ফাওবদা ট্রোফি অনীসু লৌবা ঙমখ্রে।

মমাঙগী ওষ্ট্রেলিয়ন ওপন ফাইনেলিষ্ট সিবুলকোবানা রেঙ্কিংদা ১৮ শুবা মফমদা হল্লকপা ঙমখি।

ঙসি ঐনা মায় পাকখিবা অসি থাজবা ঙমখিদে, মসিগীদমক ঐ নুংঙাইবা পোকই। ঐখোয় অনীনা অকনবা নুংশিৎ মরক্তা ফাইনেল মেচ অদু শান্নখি। অদুবু মায় পাক্লবনা হরাউবা হায়বদু ওইরে। মসি ঐনা গ্রাসতা অহানবা ওইনা টাইটল লৌবনি অমদি চয়োল অসিদা ঐগী খ্বাইদগী ফবা গ্রাসকোর্টসু ওইখি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, মার্কোস বাঘদাটিসনা নোট্টিনঘাম ওপনগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মঙাশুবা সীদেদ সাম ক্বেরিবু ১-৬, ৭-৬ (৮), ৬-৪ দা মায়থীবা পীখিদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙখিবনি।

অমরোমদা পোলেন্দগী টোপ সীদেদ অগনিজকা রাদৱানস্কানা ইষ্টবোর্নদা চথরিবা ইষ্টবোর্ন ইন্টরনেসনেলগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা কনাদাগী ইগনি বৌচার্দপু ৬-৩, ৬-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখি।

নোট্টিনঘাম ওপনগী মেচ অদুদা মাপনশুবা সীদেদ সাইপ্রোইট বাঘদাটিসনা টাইব্রেক্তা ৫-৬ অমদি ৭-৮ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অনীশুবা সেট অদু দিসাইদর ওইনা ৭-৬ (৮) দা মায় পাকখি। সাম ক্বেরিনা কুমজা ২০১৫ গী ওপন অসিগী ফাইনেলিষ্ট ওইখিবনি।

বাঘদাটিসনা এসেস ১০ মায়োক্ল খিবা সাইদতা য়ৈখি অমদি মহাক্না চহী অসিদা ক্কার্টর ফাইনেল চঙবা মঙারকশুবসু ওইখি। মহাক্না মথংগী প্লেদা অনীশুবা সীদেদ উরুগুৱেগী পাব্লো ক্যুভাসকা মায়োক্লদুনা শান্নগনি। পাব্লোনা অতোপ্পা মেচ অমদা ব্রিটেনগী দানিএল ইভান্সপু ৬-৭ (৪), ৭-৬ (৫), ৬-৪ দা মায়থীবা পীদুনা ক্কার্টর ফাইনেল চঙলকখিবনি।

তরেৎশুবা সীদেদ এন্দ্রেস সেপ্পিনা এদিয়ন মান্নারিনোবু ৬-২, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি। মহাক্না লাষ্ট আইটতা ইজরেলগী দুদি সেলাগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি। সেলানা জর্মনিগী বেঞ্জামিন বেকরবু ৬-২, ২-৬, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখিদুনা লাষ্ট আইটতা খুমাঙ চাউশিনখিবনি। মরিশুবা সীদেদ এলেজেন্দর দোলগোপোলোভনা কানাদিয়ন ক্বালিফাইয়র ফ্রঙ্ক দানসেভিকপু ৬-৩, ৭-৫ দা মায়থীবা পীখি।

# ইন্দিয়ন মরিনা রিও ওলেম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইখিদুনা ইন্দিয়াগী কন্টিঞ্জেন্ট মশিং ১০০ হেনখ্রে




ন্যু দেল্লি, জুন ২৬ ঃ

দুটি চান্দনা থাংজ নুমিৎতা ক্বালিফাই ওইখ্রবা মতুং অতোপ্পা ইন্দিয়ন মরি অমসু মখোয় মখোয়গী ইভেন্টশিংদা মায় পাক্তুনা ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখ্রে।

নোংমাইজিং নুমিৎ অসি ইন্দিয়ন এথলেটশিংগীদি খ্বাইদগী ফবা নুমিৎ হায়বদু ওইখিবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াগদবা লৈবাক অসিগী কন্টিঞ্জেন্ট মশীং অহুমগী ফিগরদা অহানবা ওইনা লৈবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী ক্কার্টরমাইলর মোহম্মদ অনাসনা পোলেন্দগী বাইগোজস্কজদা পাঙথোক্লিবা পোলিশ এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী নীনি চনবা নুমিৎতা নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা নেসনেল রেকোর্দ থম্বা ঙমখিদুনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাইদ ওইবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২১ শুরবা অনাসনা রিও ক্বালিফিসেনগী পীরিবা টাইমিং ৪৫.৪০ সেকেন্দদা চেন্দুনা ওলেম্পিক্সকী টিকেট ফংখি অমদি ট্রেক এন্দ ফিল্ডদা লাক্লিবা ওলেম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙম্বা ইন্দিয়াগী ২১ শুবা এথলেটসু ওইখি।

কেরলাগী এথলেট অসিনা পোলিসকী সিটিদা চথরিবা কম্পিটিসন অসিগী অহৌবা ইরাই নুমিৎতা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা ওইনা ৪৫.৪৪ সেকেন্দ চেন্দুনা নেসনেল রেকোর্দ থমখি।

রজিভ অরোকিয়ানা ৪৫.৪৭ সেকেন্দ চেন্দুনা থমখিবা রেকোর্দ অদু অনাসনা ইরাই নুমিৎতা থুগায়খি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা অরোকিয়ানা ৪৫.৬০ সেকেন্দ চেন্দুনা অনীশুবা মফম কনখি।

অনাসনা হৌখিবা এপ্রিলদা পাঙথোকখিবা ফেদরেসন কপ নেসনেল এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ৪৫.৭৪ সেকেন্দ চেন্দুনা শিলভর মেদল লৌখিবনি।

ওদিষাগী স্প্রিন্টর সরাবানি নন্দানা কজাখষ্টানগী অলমাটিদা চথরিবা জি কোসনোভ মেমোরিএল মীটকী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা মায় পাকখিদুনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাইদ ওইখি।

সরাবানিনা নুপীগী মিটর ২০০ গী লমজেলদা ২৩.০৭ সেকেন্দ চেন্দুনা মহাক্কী ওলেম্পিক্সকী টিকেট ফংখি। ইভেন্ট অসিগী ওইনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাইয়িং মার্কনা ২৩.২০ সেকেন্দ ওইরিবনি।

সরাবানিনা হায়খি, ঐহাক য়াম্না হরাউরে। ঐহাক্না ঐহাক্কী গ্রান্দপেরেন্টশিং, অপোকপা-অপোকপী, কোচ নিলামাধব সার অমদি টারুন সারনা ঐবু মতম পুম্নমক্তা য়েংশিনবীখিবগীদমক থাগৎপা পান্মী। ওদিষাগী মীয়াম্না ঐবু নুংশিবীবা অমদি ঈশ্বরদা থৌনীবিদুনা ঐগী হিষ্টোরিক ওইবা মায় পাকপা অসি ঙমখিবনি। মরম অদুনা ঐনা পুম্নমকপু থাগৎলি হায়খি।

মশাগী চহী ২৪ শুরবী অমদি ট্রাইবেলনা নম্মা তাবা কনধামাল দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ফুল বানিদগী হৌরকখিবী এথলেট অসিনা হায়খি, মহাক্না ওগষ্ট থাদা পাঙথোকপা হৌগদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সতা মেদল লৌবা ঙম্নবা অকনবা প্রেক্টিশ তৌগনি হায়না ফোঙদোকখি।

সরাবানিবু ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা মহাক্কী মায় পাকখিবা অদুদা লুপা লাক্ষ ১ গী মনা পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

ওদিষা ওলেম্পিক এসোসিএশন অমদি ওদিষা এথলেটিক্স এসোসিএশন্নসু লুপা লিশিং ৫০/৫০ গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকখি।

থাংজ নুমিৎতা মশাগী চহী ২০ শুরবী দুটিচান্দনা মিটর ১০০ গী ইভেন্টতা মায় পাক্তুনা রিও ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফাই ওইখিবনি। চহী ৩৬ কী শাংলবা গেপ অমা লৈরুরবা মতুং মহাক্না মিটর ১০০ দা ক্বালিফাই ওইখিবা অসিনা পি টি উষাগী হেক মতুংদা অনীশুবা ইন্দিয়ন এথলেট ওইবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৩ শুরবা অনকিটনা নুপাগী লোংজম্পদা মিটর ৮.১৯ শান্না চোংবা ঙমদুনা নেসনেল রেকোর্দ থমখিবগা লোয়ননা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াননবগী খোঙফম নকশিন্না লৈখ্রে।

মমাঙদা কুমারাবেল প্রেমকুমারনা কুমজা ২০১৩ দা মিটর ৮.০৯ শান্না চোংদুনা নেসনেল রেকোর্দ থমখিবা অদু অনকিটনা থুগাইখি। ইভেন্ট অসিদা ওলেম্পিক্সকী ক্বালিফিকেসনগী ষ্টেন্দর্দ অসি মিটর ৮.১৫ ওইরি।

হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াগী ওইনা ট্রেক এন্দ ফিল্ড এথলেট অহুম্না ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবগা লোয়ননা অপূনবা এথলেট ২৩ শুখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপা অমদি নুপী হোকিগী অপূনবা মীওই ৩৬ (নুপাগী ১৮, নুপীগী ১৮) অসিগী হেক মতুংদা এথলেটিক্সনা খ্বাইদগী য়াম্না ক্বালিফাই ওইবা এথলেট মশীং ওইরি।

অমরোমদা, আর্চরি এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি পাঙথোকখিবা সেলেক্সন ট্রাইএল অমদা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াননবগীদমক মেন'স রিকর্ভকী ওইনা অটানু দাসপু খনগৎখ্রে। দাসনা নুপাগী কেটোগোরিদা মহাক মতোমতনা রিও গেমসতা শরুক য়ারগনি। গেমস অসি লাক্লিবা ওগষ্ট ৫ দগী ২১ ফাওবা চথগদবনি। দাসনা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক গেমসকী ক্বালিফাই ওইবা আর্চর অমসু ওইরে।

# অথিংবা থমখিবগী মায়োক্তা কোর্ট ওফ অর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টসতা ৱাকৎখ্রে







মোস্কো, জুন ২৬ :লাক্লিবা ওগষ্ট থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী ট্রেক এন্দ ফিল্ড ইভেন্টতা রসিয়াগী এথলেটশিংবু শরুক য়াবা য়ারোই হায়দুনা ইন্টরনেসনল এসোসিএসন ওফ এথলেটিক্স ফেদরেসন (আই এ এ এফ) না অথিংবা থম্নবা লৌখিবা ৱারেপ অদুবু শিংনরদুনা রসিয়াগী এথলেট অনীনা কোর্ট ওফ আর্বিট্রেসন ফোর স্পোর্টস (সি এ এস) তা ৱাকৎখ্রে।

রসিয়াগী রেস ৱাল্কর দেনিস নিজেগোরোদোভ অমদি এসভেটলানা ভাসিলয়েভানা শান্নরোয় খরগী অরানবা থৌওংনা এথলেট পুম্নমকপু চৈরাক ফংহনবা চুম্লোই হায়না মখোয়গী ৱাকৎ চেরোলদা পল্লি।

কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক্সতা সিলভর মেদল লৌখিবা দেনিস নিজেগোরোদোভনা হায়খি, ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াদুনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লাকপা এথলেটশিংগা লম্বানবা হায়বসি এথলেট পুম্নমক্কী মঙলাননি। হায়রিবা মঙলান অসিগী হক অদু ফংহনফম থোকই হায়না ফোঙদোকখি।

এসভেটলানা ভাসিলয়েভানা হায়, ঐহাক্না রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবদা অপনবা থোক্তনবা করিগুম্বা থবক অমত্তা তৌবা লৈখিদ্রবসু ঐহাকপু ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা অদু মৎনবা হোৎনরি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা তুমীন্না য়েংদুনা লৈবগী মহুৎ সি এ এসতা ৱাকৎনবা ফীরেপ লৌবনি হায়না ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, রসিয়াগী এথলেটশিংনা পাক শন্না ষ্টেট স্পোন্সর দোপিং চৎখৈ হায়না ৱর্ল্ড এন্টি দোপিং এজেন্সী (দব্লিয়ু এ দি এ) না রিপোর্ট তৌখিবা মতুংইন্না আই এ এ এফনা লৈবাক অসিগী এথলেটশিংবু মালেমগী কম্পিটিসনশিংদগী মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদগী হৌনা অথিংবা থম্লকখিবনি। অথিংবা অদু মখা তানা থম্নবা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা আই এ এ এফনা ৱারেপ লৌখি।

আই এ এ এফনা করিগুম্বা রসিয়াগী এথলেটশিংনা মখোয়না অরানবা তৌখিদে হায়বদু উৎপা ঙম্লবা অমদি লৈবাক অসিগী মপানদা লৈবা মমিং লৈরবা টেষ্টিং ওথোরিটিনা চাং নাইনা মখোয়গী সেম্পলশিং টেষ্ট তৌদুনা লাক্লি হায়বদু খঙবা ঙমহল্লবদি লৈবাক অসিগী এথলেটশিংনা ন্যুট্রেল ষ্টেটস অমগী মখাদা রসিয়নগী ফ্লেগকী মহুত্তা শরুক য়ানবগী খুদোংচাবা পীগনি হায়রিবা ৱারেপপু দেনিস নিজেগোরোদোভ অমদি এসভেটলানা ভাসিলয়েভানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

দেনিস নিজেগোরোদোভনা হায়, ঐহাক মালেমগী স্পোর্টসকী পৱরহাউস ওইরিবা রসিয়াদা পোকপনি অমদি ইরৈবাক্কী ফ্লেগ মখাদা শান্নবা থোকপগী মহুৎ ওলেম্পিক ফ্লেগ মখাদা শরুক য়াবা হায়বসি তৌহৈদবা থবক্নি হায়খি।

রসিয়াগী রেস ৱাল্কিং অসি দোপিংনা খ্বাইদগী শোকহল্লবা ইভেন্টশিংগী মনুংদা অমা ওইবা মরম্না মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতগী রসিয়ানা মখোয়গী ৱাল্কিং টিমবু লৌথোকখিদুনা শান্নহনখিদবনি।

# লীএন্দর পেস, রোহন বোপান্না ৱিমব্লেদনগী প্রী ক্কার্টর ফাইনেলদা মায়োক্লদুনা শান্নরবা য়াই



লন্দন, জুন ২৬ ঃ

ইন্দিয়াগী মহুৎ শিন্দুনা রিও ওলেম্পিক্সতা টিম ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা লীএন্দ পেস অমদি রোহন বোপ্পান্না ৱিমব্লেদনগী প্রী ক্কার্টর ফাইনেল মেচতা অমগা অমগা মায়োক্লদুনা শান্নরবা য়ানা লৈখ্রে।

ৱিমব্লেদনগী মেন'স দবলসকী দ্রো শেমখিবদা লীএন্দ পেস অমদি রোহন বোপ্পান্না অনীনা প্রী ক্কার্টর ফাইনেলদা মায়োক্লবা য়াবগী ফীভম লৈখি। তরুকশুবা সীদতা লৈরিবা বোপান্না অমদি মহাক্কী রোমানিয়া পার্টনর ফ্লোরিন মার্গিনা মখোয়গী অহানবা কেম্পেনদা ক্রোসিয়াগী পিয়র মারিন দ্রগাঞ্জা অমদি নিকোলাস মেক্তিক্কা মায়োক্লদুনা লম্বা তৌনগনি।

পেস অমদি পোলিসকী টিমমেট মার্সিন মাটকোস্কিনা টাইপৈগী য়েন হসুন লু অমদি সর্বিয়াগী জানকো টিপসারেবিক্কী জুরাগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

পেস অমদি বোপান্না গ্রাসকোর্টকী গ্রান্দস্লাম মেন'স ইভেন্ট অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী অমত্তা ঙাইরবা শান্নরোয় ওইরি। অতোপ্পা শান্নরোয়শিংদি অমত্তা ক্বালিফাই ওইবা ঙমদবদগী শরুক য়াররোই।

ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন অমদি সকেট মেনেনিনা সিঙ্গলস ক্বালিফায়রদা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি অদুগা পুরব রাজা অমদি দিভিস সরনগী জুরানা দবলস ক্বালিফায়িং ইভেন্টতা মায়থীদুনা লৈহৌখিবনি।

নুপীগী দবলসতা টোপ সীদ সানিয়া মিরজা অমদি মার্টিনা হিঙ্গিসনা জর্মনগী জুরা অনা-লেনা ফ্রাইদসাম অমদি লৌরা সিজমুন্দগা মখোয়গী অহানবা রাউন্দদা মায়োক্লদুনা লম্বা তৌনগনি।

# হরমনপ্রিট কৌরনা ওভরসিজদা শান্নবা লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী ক্রিকেটর ওইরগনি




ন্যু দিল্লি, জুন ২৬ :ইন্দিয়াগী নুপী ক্রিকেট টিমগী ভাইস কেপ্টেন হরমনপ্রিট কৌরনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বিগ বাসকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স সিদনি থন্দরগা খুৎয়েক পীনখিদুনা ওভরসিজদা শান্নবী লৈবাক অসিগী অহানবা নুপী ক্রিকেটর ওইরগনি।

মশাগী চহী ২৭ শুরবী ওল রাউন্দর অসিনা হন্দক্তা বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না লৈবাক অসিগী নুপী ক্রিকেটরশিংবু মপানগী টি-২০ লীগশিংদা শরুক য়াবগী অয়াবা হৌখিবা ইরাই নুমীৎতা পীখিবদগী ওষ্ট্রেলিয়াগী বিগ বাসকী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন্স সিদনি থন্দরদা শান্ননবা খুৎয়েক পীনখিবনি।

নাকল অমরোমদা, সিদনি থন্দরনা হরমনপ্রিট কৌরবু মখোয়গী ক্লবতা শান্নহনবা পাল্লবসু হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইন্দিয়ন অসিগা ক্লব অসিগা খুৎয়েক পীনবা লৈত্রি হায়না থাংজ নুমীৎতা ফোঙদোকপা লৈখিবনি।

বি সি সি আইগী প্রেসিদেন্ট অনুরাগ থাকুরনা ওষ্ট্রেলিয়াগী বিগ বাসতা হরমনপ্রিট কৌরনা শরুক য়ানবগী খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না ইরাই নুমীৎতা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, পাউগী এজেন্সীশিংগী মতুংইন্না ইন্দিয়ন টিমগী মশক নাইরবী ক্রিকেটর অসিবু খুৎয়েক পীননবা ক্লব অহুম্না তান্নখি অমদি অরোইবদা থন্দরনা মায় পাকখি হায়না রিপোর্ট তৌনখিবনি।

চৎলিবা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা এদলে ওভেলদা শান্নখিবা মেচতা হরমনপ্রিট কৌরনা বোল ৩১ দা রতন ৪৬ লৌখিদুনা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াবু মায়থীবা পীদুনা রেকোর্দ থমখি। অদুগা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি-মার্চ থাদা ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনল ক্রিকেট কাউন্সীল (আই সি সি) ৱিমেন'স ৱর্ল্ড কপ টি-২০ গী মেচ মরিদা রন ৮৯ অমদি ৱিকেট তরেৎ লৌদুনা মহাক্কী মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্স পীখি।

হন্দক্তা বি সি সি আইনা লৈবাক অসিগী নুপী ক্রিকেটরশিংবু মপানগী ক্রিকেট লীগশিংদা শান্নবগী অয়াবা পীখিবা অসিনা লৈবাক অসিগী নুপী ক্রিকেটরশিংনা ইন্টরনেসনল লীগশিংদা শান্নবগী খুদোংচাবা ফংলগনি হায়রি।

# কুৱেট গভর্ণমেন্টনা ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন অমা পীনবা ৱাকৎখ্রে




দুবাই, জুন ২৬ :

লাক্লিবা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা য়ারোই হায়দুনা আই ও এনা অথিংবা থমখিবদগী কুৱেটনা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) দা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন অমা পীহন্নবা স্বিসকী কোর্ট অমদা ৱাকৎখ্রে হায়না লৈবাক অসিগী য়ুথ এন্দ ইনফোর্মেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখ্রে।

কুৱেট গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী স্পোর্টসতা খুৎ থিংজিনবা য়ানবা লো অমা চৎনহনখিবগা মরী লৈনবা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) অমদি মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী গভর্ণিং বোদি ওইরিবা ফিফানা মমাঙ চহীগী ওক্টোবর থাদগী লৈবাক অসিদা অথিংবা থম্লকখিবনি।

কুৱেটকী য়ুথ এন্দ ইনফোর্মেসন মিনিষ্টর শৈখ সলমান অল হামোদ অল সবাহনা হায়খি, কুৱেটকী এথলেটশিংবু রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াদনবা অথিংবা থম্লিবা অসি মরম চাদে। মসি নীংথিনা থিজিল্লগা লৌখৎখিবা থবক নত্তে। অদুনা মরম চাদনা ইন্টরনেসনল স্পোর্টসতা শরুক য়াদনবা অথিংবা থম্বা অসি য়াবা ঙম্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

অদুমকপু য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন অমা পীহন্নবা ৱাকৎখিবা অদুগী মতাংদা অকুপ্পা মরোল অমত্তা ফোঙদোকপদি তৌখিদে।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) অমদি ফিফাদা নত্তনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনল স্পোর্টিং ফেদরেসন ১৬ নসু কুৱেটপু ব্লেকলিষ্টতা থম্লিবনি।

অমরোমদা, লৈবাক অসিবু সস্পেন্দ তৌখিবদা মরুওইবা থৌদাং লৌখি হায়বা কুৱেটি স্পোর্টস ওফিসল ১৫ গী মথক্তা কুৱেট গভর্ণমেন্টনা লৈবাক অসিগী কোর্ট অমদা ৱাকৎতুনা চহী অসিগী জন্যুৱারি থাদা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১.৩ পীহন্নবা তক্লখিবনি।

হায়রিবা ওফিসলশিং অদুগী মনুংদা ওলেম্পিক কাউন্সীল ওফ এসিয়াগী লুচিংবা ওইবদা নত্তনা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গী ওফিসল অমদি ফিফাগী ইগজেক্যুটিব কম্মিটিগী মেম্বরসু ওইরিবা শৈখ অহমদ অল ফহাদ অল সবাহ য়াওরি। কুৱেটকী মহুৎ শিন্দুনা লৈবাক অসিগী অফবা তৌগদবা মীওইশিং অসিনা লৈবাক অসিবু সস্পেন্দ তৌরকপদা অপেনবা পোক্লি হায়না য়ুথ এন্দ ইনফোর্মেসন মিনিষ্টরনা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবনি।

লৈবাক অসিগী গভর্ণমেন্টনা স্পোর্টসতা খুৎ থিংজিনবগীদমক কুৱেটপু ফিফা অমদি ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) না অথিংবা থম্লিবা অসি কুমজা ২০০৭ কী মতুংদা অথিংবা থম্বা অহুম্লকশুবসু ওইরি।